

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, APRIL 26, 2019 PAGE 7



*জর্মনিগী সিটি ষ্টুট্টগার্টতা চথরিবা ষ্টুট্টগার্ট ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙ্খ্রবী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী নাওমী ওসাকা*

*এসিয়ান ১০–লেগ স্নুকর টুরগী অহুমশুবা লেগতা ইরানগী শান্নরোই ইহসান হেদারিবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানি*

## ইন্দিয়াগী মোদগিল–দিভ্যান্স অমদি সৌরভ–ভাকরগী পেয়রশিংনা মিক্স টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*বৈজিং, এপ্রিল ২৫ঃ*

চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী সুট্টর মোদগিল–দিভ্যান্স অমদি সৌরভ–ভাকরগী পেয়রশিংনা মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম অমদি মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফলগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অঞ্জুম মোদগিল অমদি দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা সদন দেট সুট ওফতা চাইনাগী পেয়র লিয়ু রুজুৱান অমদি য়াং হাওরানবু মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট ১৭ (৩১১.৮, ৩১৩.৪, ৫২২.৭) স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।





*মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফলদা গোল্ড লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী দিভ্যান্স অমদি অঞ্জুম মোদগিল*

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী পেয়র অঞ্জুম মোদগিল অমদি দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৬শুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি।

ইভেন্ট অসিদা চাইনাগী পেয়র লিয়ু রুজুৱান অমদি য়াং হাওরাননা পোইন্ট ১৫ (৩১৫.৫, ৩১২.২, ৫২৪.১) স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা রুশিয়াগী পেয়র য়ুলিয়া কারিমোভা অমদি গ্রিগোরি সামাকোভনা পোইন্ট ১৬ (৩১০.৯, ৩১৫.১, ৫২৩.৮) স্কোর তৌদুনা লৌখি।

মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র অপুরভি চান্দেলা অমদি দিপক কুমার ৯শুবা পোজিসন তাহৌখি।

আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেয়র সৌরভ চৌধারি অমদি মনু ভাকরনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র সৌরভ চৌধারি অমদি মনু ভাকরনা গোল্ড মেডল মেটচতা চাইনাগী পেয়র জিয়াং রানজিং অমদি পাং ৱৈবু পোইন্ট ১৬–৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা চাইনাগী পেয়রনা সিলভর মেডল ফংখি।

নীংশিংবা য়াই সৌরভ চৌধারি অমদি মনু ভাকরনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তসু গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা এসিয়ান এয়র গন চেম্পিয়ন্সিপকীসু গোল্ড ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা ভিটালিনা বাটসারাসকিনা অমদি অর্টেম চেরনৌসোভনা পোইন্ট ১৬ স্কোর তৌদুনা ফংখি। ইভেন্ট অসিগী শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র হিনা সিন্ধু অমদি সাহজার রিজভি ১২শুবা পোজিসন তাহৌখি।

## এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৬ ফাইনেল চঙখ্রে, সরিত দেবী অমদি মনিসা ব্রোঞ্জ ফংহৌরে

*বেঙ্কোক, এপ্রিল ২৫ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৬ ফাইনেল য়ৌখ্রে, সরিতা দেবী অমদি মনিসা সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরে।





চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা অমিত পাঙ্গালনা ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী বোক্সর জিয়ানগুৱান হুবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর কাভিন্দর বিষ্টনা ঙসি অঙনবদা থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর এনখ–অমর খাখুবু য়াম্না নক্নবা স্কোর ৩–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী বোক্সর আসিস কুমারনা কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিগী ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা ইরানগী সেয়েদসাহিন মৌসাভীবু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা বাওট অমদা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু গোল্ড মেডল রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর দিপক কুমার মহাক্কী সেমি ফাইনেলগী লম্বা ওইরিবা কজাখষ্টানগী বোক্সর টেমিরটাস ঝুসুপোভ শোকপনা মরম ওইরগা ৱাল্ক ওভর ফংদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙখিবনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী পুজা রানী (কেজি ৭৫) অমদি সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬৪) মখোয়–মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওটশিং মায় পাক্তুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর পুজা রানীনা ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা কজাখষ্টানগী ফরিজা সোল্টেবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

নুপীগী কেজি ৬৪ দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সিমরনজিৎ কোরনা উজবেকিষ্টানগী মাফটুনাখোন মেলিভাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল রাউন্দ চঙখি।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর সরিতা দেবীনা ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা চাইনাগী য়াং ৱেনলুগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

নুপীগী কেজি ৫৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মনিসাসু সেমি ফাইনেল বাওটতা চাইনিজ তাইপৈগী হুৱাং সিয়াও ৱেনগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখট জারিনসু সেমি ফাইনেল বাওটতা চাইনাগী নিলৱান টেকাসুয়েপকী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ ফংলগা লোইশিনখি।

## রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু রন ১৭ তা মায়থিবা পীখ্রে

*বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ২৫ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৪২শুবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু রন ১৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।





আই পি এলগী ৪২শুবা লীগ মেটচ অসিগী টোস কিংস এলভেন পঞ্জাবনা ঙমদুনা বোল্লিং খনখি। রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২০২ লৌবা ঙমখি।

টিম অসিগী ওপনর অমদি কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলি রন ১৩ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা এবি দি ভিল্লয়র্সনা অতোপ্পা ওপনর পার্থিব পটেলগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

ওপনর পার্থিব পটেল বোল ২৪ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন অনী রন মপুং ফানা লৌবা ঙমখিদ্রবসু ৬শুবা বেটসমেন মার্কস ষ্টোইনিস অমদি অহুমশুবা বেটসমেন এবি দি ভিল্লিয়র্সনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিমগী অপুনবা স্কোর অদু ২০২ য়ৌহনবা ঙমখি।

ভিল্লিয়র্সনা বোল ৪৪ দা সিক্স ৭ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৮২ লৌরম্বা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন মার্কস ষ্টোইনিসসু বোল ৩৪ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৪৬ লৌরমখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবনা মায় পাক্নবগী রন ২০৩ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ওভর ২০ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা শুপ্নগী রন ১৮৫ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরনা রন ১৭ তা মায় পাকখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবগী ইন্নিংস হৌবদগী ফজরকখি। ওপনর খৃস গেল রন ২৩ দা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকপা মায়াঙ্ক অগরৱালসু টিমগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ৩৫ হাপচিনবা ঙমখি। অতোপ্পা ওপনর লোকেস রাহুলসু রন ৪২ লৌরমখি। দেবিদ মিল্লরগী রন ২৪ অমদি ৫শুবা বেটসমেন নিকোলাস পুরানগী রন ৪৬ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

## দিভ্য অমদি মঞ্জুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে

*জিয়ান, এপ্রিল ২৫ঃ*

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিভ্যা কাক্রান অমদি মঞ্জু কুমারীনা ব্রোঞ্জ মেডল অমমম ফংখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৮গী ব্রোঞ্জ মেডল প্লেওফতা এসিয়ান গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী দিভ্যা কাক্রাননা মোঙ্গোলিয়াগী বাট্টসেটসেগপু তুহন্দুনা মায় পাকখিবদগী কাঙলূপ অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৫৯গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী মঞ্জু কুমারীনা ব্রোঞ্জ মেডল বাওট অমদা ভিয়েটনামগী থি হুৱোং দাওবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ১১–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৫০গী ব্রোঞ্জ মেডল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী সিমা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর ভেলেন্টিনা ইভানোভনাগী মখূত্তা পোইন্ট ৫–১১ দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী কেজি ৫৫ অমদি ৭৬ তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ললিতা অমদি পুজাসু মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটশিং দা মায়থিহৌখি।

## পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমদি সমির ভর্ম এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*ৱুহান (চাইনা) এপ্রিল ২৫ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমদি সমির ভর্ম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ৪শুবা সিদেদ ওইদুনা শান্নবদা ইন্দোনেসিয়াগী চোইরুন্নীসাবু মিনট ৩৩ রোম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৫, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী কাই য়ানিয়ানগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইয়ুনবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম ২১–১৩, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহুমশুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সমির ভর্মনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা হোং কোংগী ঙা কা লোং এঙ্গসপু ২১–১২, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ চাইনাগী সি য়ুকীগা লম্বা তৌনরগনি। চাইনাগী সি য়ুকীনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী থামাসিনবু ২২–২০, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।





*ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, সমির ভর্ম অমদি সাইনা নেহৱাল*

নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা হোং কোংগী লি চিয়ুক য়িউবু ২১–১০, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা চাইনাগী লিন দানবু ২১–১০, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা জপানগী কে নিসিমোটোগা লম্বা তৌনরগনি।

এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ চাইনাগী চেন য়ুফৈনা ইন্দোনেসিয়াগী টুঞ্জুংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নবা মতুং ১৫–২১, ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারানা মালেসিয়াগী চিয়াহবু ১৭–২১, ২১–১২, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র উটকার্স অরোরা অমদি করিসমা ৱাদকর অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র হাফিজ ফাইজাল অমদি গ্লারিয়া ইমানুয়েল ৱিদজাজাগী মখূত্তা ১০–২১, ১৫–২১ দা মায়থিহৌবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

## ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী ওসাকা ষ্টুট্টগার্ট ওপনগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*ষ্টুট্টগার্ট, এপ্রিল ২৫ঃ*

জর্মনিগী সিটি ষ্টুট্টগার্টতা চথরিবা ষ্টুট্টগার্ট ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৱার্ল্ড নম্বর জপানগী নাওমী ওসাকা নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী নাওমী ওসাকানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী সৈবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী দি ভেকিক্কা শান্নরগনি।

ক্রোএসিয়াগী দি ভেকিক্কা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু ৬–১, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি। ৩শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটেভোনা রোমানিয়াগী জি মিন্নেনবু ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভাগা শান্নরগনি। লাটভিয়াগী সেভাষ্টোভানা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী সৈগমুন্দবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

৬শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ৮শুবা সিদেদ ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটসু অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী এ পাব্লিয়ুচেনকোভাবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অতোপ্পা পাও অমদা চাইনাগী সিটি এন্নিংদা চথরিবা কুন্নীং ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনকিতা রাইনা চাইনাগী কে ঝাংগী মখূত্তা ৬–১, ৬–৭(২–৭), ৬–৭(৭–৯) দা মায়থিহৌখি।


ক্রোসৱার্দ ১৪২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | C | T | S | | A | G | E | N | T | | P | S | S | T |
| B | O | O | T | | B | A | Y | O | U | | A | Q | U | A |
| B | A | R | E | L | Y | B | E | A | T | | S | U | M | P |
| E | L | O | P | E | S | | | H | O | S | T | E | S | S |
| | | | P | A | S | S | E | | R | A | R | E | | |
| P | A | W | E | D | | A | N | T | | M | A | Z | D | A |
| I | T | O | | S | W | I | V | E | L | | M | E | E | T |
| P | A | N | S | | A | L | I | N | E | | I | D | E | E |
| E | L | B | A | | D | O | O | D | A | D | | B | R | A |
| S | L | Y | L | Y | | R | U | T | | A | S | Y | E | T |
| | | A | V | I | D | | S | O | T | T | O | | | |
| B | A | N | A | N | A | S | | | R | E | P | E | A | L |
| A | G | O | G | | C | L | O | S | E | S | H | A | V | E |
| R | U | S | E | | C | A | D | E | T | | I | R | O | N |
| D | E | E | D | | A | B | E | T | S | | A | N | N | A |

## সিটিনা য়ুনাইটেদ থোইদুনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মকোক ওইখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ২৫ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা লীগ মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইখ্রে।





মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু মেটচ হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই বর্নাদো সিলভানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লেরোই সানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৪ রোমগী মতম অদুদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২–০ দা মায় পাক্তুনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা লিভরপুলবু ইস্থরম্লগা অহানবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সকী শান্নরোই রুবেন দেভিস, মেট দোহেরটি অমদি দিওগো জোটানা পাঞ্জল অহুম চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই সোক্রাটিসনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু ১–৩ দা মায়থিখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

এটলেটিকো মাদ্রিদকী পাঞ্জলশিং অদু অলভারো মোরাটা, এন্টোইন গ্রিজমান অমদি এঞ্জেল কোরিয়ানা চনবা ঙমখি। ভেলেন্সিয়াগী অমত্তা ঙারবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা দানী পারেজোনা চনখি।